# পন্দুনা লৈরিবা পিলগ্রিমশিংনা মতেং ঙাইরি, ইরানদা ২৫৫ নারে হায়বা গভর্ণমেন্টনা কনফার্ম তৌখ্রে



***ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৯(এজেন্সি)ঃ***

গভর্ণমেন্টনা মমৈথংদা ঙরাং ইরানদা ইন্দিয়ান পিলগ্রিম ২৫৫ কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইরে হায়না পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখ্রে। মসিদা নত্তনা কোভিদ–১৯ নাবা ইন্দিয়ান ১২ যু এ ই দা লৈ, ইটালিদা ৫, শ্রীলঙ্কাদা ১, হোং কোংদা ১, রৱান্দাদা ১ লৈ হায়খ্রে।

কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইরবা ইন্দিয়ানশিং অদুদা তৌফম থোকপা মেদিকেলগী চেকশিন–থৌরাং লৌখৎনবা ইন্দিয়ান মিসননা মফমদুগী ওথোরিটিজগা পাউ ফাওনরি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

টেষ্ট তৌবদা কোভিদ–১৯ নাদে খঙলবা ইরানদা লৈবা পিলগ্রিম খরা টেহরানদগী ঙসি ইন্দিয়াদা পাইরকখ্রে। মখা তানা নোভেল কোরোনাভাইরসনা শোক্লবা কোম সিটিদা হৌজিকসু ইন্দিয়ান পিলগ্রিম চা কয়া পন্দুনা লৈহৌরি। মখোয় ইন্দিয়ান মিসননা কনবীননবা ঙাইদুনা লৈরি হায়না পিলগ্রিম খরনা এজেন্সিদা ফোঙদোক্লি।

শেখ নাকি কৌবা কার্গিলদগী পিলগ্রিম অমনা ফোঙদোকপদা মহাক সিটি অসিদগী য়ান্না থুনা হন্নিংলে অমসুং টেহরানদা লৈবা ইন্দিয়ান মিসনদগী পাউ তানবা ঙাইরি হায়খি।

কোভিদ–১৯না মীওই ১০০০ রোম শিরবা ইরানদা হোলি সিটি অদুদা খ্বাইদগী হেন্না থীনা শোকই। মফম অসিদা ঐখোয় ইন্দিয়ান ৫৮,৫৮০ খরদি ঙসি হনখ্রে। লৈহৌরিবা ঐখোয় করি থোক্কদগে খঙদ্রি হায়না নাকিনা হায়খি।

হৌজিক ফাওবা পূন্না গভর্ণমেন্টনা ইরানদগী ইন্দিয়ান ৫৯০ পুথোক্লকখ্রে। অসিগুম্বা ইন্দিয়ান সিটিজেনশিং লৈবা তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা ইন্দিয়ান এম্বেসিশিংনা মফমদুগী ওথোরিটিজশিংগা তেংবাংনরগা হকশেলগী মীৎয়েং নীংথিজনা চংবীরনবা পাউ ফাওনরি হায়না মপান লৈবাক্তা কোভিদ–১৯না নাবা ইন্দিয়ান নেসনেলশিংগী মরীক চুম্বা ৱারোল পীরদুনা লোক সভাদা অইবা ৱাহং অমগী পউখুমদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ারসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ভি মুরালী ধরননা হায়খি।

চপ মান্নবা ৱাহং অসিগী পাউখুমদা মিনিষ্টর অদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা দিপ্লোমেটিকী মরী লৈনরকখিবা অদু চৈহ অসিদা চহী ৭০ শুরবনা চিনাগী মীয়ামদা ইন্দিয়াগী মীয়ামদগী মরুপ–মপাং ওইবা অমসুং শৌগৎপা উৎপা ওইনা ইন্দিয়ানা চিনাদা টোন ১৫গী মেদিকেলগী তেংবাং পীখ্রে হায়খি।

# কেরলাদগী অসাম ফাওবা তান্নরকখিবা কোরোনাভাইরস নাবনি চিংনবা অদু ত্রেনদা ফংলে

***গুৱাহাতি /থিরুভনন্তাপুরম, মার্চ ১৯(এজেন্সি)ঃ***

কোরোনাভাইরস নাবশিংগা তোৎনা–তিন্নদুনা লৈরুরবনি হায়বা চিংনবা অসামদগী মীওই অমা কেরলাদা ক্বারেন্টাইনদগী চেনখিবদগী পুলিস অমসুং ইন্দিয়ান রেলৱেজগী জোইন্ট ওপরেসন অমনা খোঙ্গুল লিরকখ্রে।

অসামদগী মাইগ্রেন্ট ৱার্কর অমা ওইরিবা নুপা অদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কনাগুম্বা অমত্তদা হায়রমদনা কেরেলা থাদোক্কুনা চৎখিবনি। মহাক ন্যু বোগাইগাও ষ্টেসনদা অসামদা ট্রেন অমদা অহিংনোংয়াই অদুদৱাইদা ফংখি অমসুং শগোলশেল নুমিৎতা আইসোলেসনদা অমুক হন্না পুরকখি।

মহাক কঞ্চানজুংগা এক্সপ্রেসতা ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী অসামদা লাকখিবনি হায়না রেলৱে লিখুনশিংনা হায়খি। মহাক মোরিগাও দিষ্ট্রিক্টতগীনি।



দুবাইদগী কোজিকোদতা হল্লকখিবা কোরোনাভাইরস অনাবা অমনা মহাক টেষ্ট তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা চিঞ্জাক চাখিবা রেষ্টোরেন্ট অমদা মীওই অদু থবক তৌবনি।

রেষ্টোরেন্ট অদুগী ইমপ্লোয়ী পূন্নমক হোম ক্বারেন্টাইন তৌনবা খঙহনখ্রে অদুবু অসামগী মীওই অদু য়াওনা ইমপ্লোয়ী ৩ মফম অদু থাদোক্কুনা চৎখিবনি। মীওই অদুনা তোংখিবা ট্রেন দাবা অদু সেনিটাইজ তৌখ্রে। অদুবু অতৈ পেসেঞ্জরশিংদি ক্বারেন্টাইন তৌখিদ্রি। মসিগী মরমদি হৌজিক ফাওবদি মীওই অদু কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইদ্রি হায়না ওফিসিয়েল লিখুলশিংনা হায়খি।

মহাক্কী সেম্পল লৌরে অমসুং চাংয়েং তৌনবা থাখ্রে হায়না লিখুলশিং অদুনা মখা তানা হায়খি।

মহাক্না শাথিবা হকশেলগী খুদোঙথিনিংঙাই থোকহনবা য়াই হায়রদুনা কেরলানা মীওই অদুবু খোঙ্গুল লিবদা তেংবাংনবা অসাম পুলিসতা পাউ পীরকখি। পুলিসনা চেনখিবা মীওই অদুগী সেলফোন ট্রেক তৌখি অমসুং মহাক্কী লোকেসন থুনা–থুনা হোংদু লৈবনা মহাক চৎতুনা লৈ হায়বা ফংখি।

কেরলাদগী মাইগ্রেন্ট চা কয়া মখোয়গী ষ্টেটশিংদা হন্নরক্লবনা মহাকসু ট্রেন অমদা চৎলমগনি হায়না পুলিসনা খনখি। মহাক্কী লম্বীদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন পূন্নমক্তা মহাক্কী মতাংদা পাউ পীখ্রে অমসুং অরোইবদা তান্নবা অদু অসামদা লোইশিনখি।

# অৱাৎপা লৈরকপদগী হেন্দ সেনিটাইজর রিফিলশিং লেন্না পীনবা গোৱা ব্রিৱেরিনা খূৎ লাম্থোকখ্রে




***পানাজি, মার্চ ১৯(এজেন্সি)ঃ***

গোৱাদদি শেংনা হায়রবদা মীওই অমনা বিয়ার য়াওদনা করিমতা তৌবা ঙমদে। লাইবক ফরিবদি হৌজিক কোভিদ–১৯গী খুদোঙথিবা মতম অসিদা গোৱাদা লৈবা বিয়ার শুংবা কম্পেনি অমনা ষ্টেট অসিদা হেন্দ সেনিটাইজরগী অৱাৎপা লৈরকপদগী পাখৎনরিবা অদু কোকহনবদা মতেং ওইরগনি।

গোৱা ব্রিৱিং কো. কৌবা চহী ২ শুরবা বিয়ার শুংবা অসিনা হেন্দ সেনিটাইজর ৱাৎপগী ৱাথোক অসি হল্থহন্নবা মীয়ামদা মমল লৌদনা হেন্দ সেনিটাইজর রিফিলশিং খূৎ লাম্থোকপা হৌখ্রে।

পাউগী এজেন্সিদা ৱা ঙাংবদা শনগোলদাদা লৈবা ব্রিৱেরি অসিগী চীফ ব্রিৱের অষ্টাবিনায়ক পরাধনা হায়খি, হেন্দ–সেনিটাইজর রিফিল অসি মরুওইনা আইসোপ্রোপিল অলকোহোল নৎত্রগা রবিবং অলকোহোলনি। মসি চাদা ৭০ অলকোহোল য়াওই অমসুং হায়জিন ঙাক্তুনা থন্নবা হেন্দ সেনিটাইজর লিক্বুইদ অমা ওইনা অসিগুম্বা হিরমশিংদা শিজিন্নৈ।

কোরোনাভাইরস পান্দেমিক অসিদগী ঐখোয়না মীয়ামদা মসি মমল লৌদনা পীরি। মসিদা তৌগদবা মথৌ তাবা হায়ববু অহাংবা বোট্টল নত্রিগা কন্টেনরগা লোয়ননা ঐখোয়দা লাকপীয়ু অমসুং ঐখোয়না মদু রিফিল তৌগনি হায়না মিষ্টর পরাধনা হায়খি।

রব্বিং অলকোহোল অসি ব্রিৱেরি অসিদা হায়জিন ঙাক্তুনা থন্নবা শিজিন্নবা কেমিকেল কয়াগী মনুংদগী সুপ্নগী অমত্তনি। অদুবু করিগুম্বা ক্রাইসিসকী মতমদা কম্পেনি অসিগী সোসিয়েল আউতরিটচ কোদকা লোয়ননা মীয়ামদা ফংহনগনি।

ব্রেকফাষ্ট সেরিল ষ্টাউট, সেন্ট এন্দ সিন্নর অমসুং গোৱাগী খ্বাইদগী ঙল্লিঙৈগী মতমগী হিপ্পিশিংগী মনুংদগী অমগী মমিং থোনবা মখোয়গী ফ্লেগসিপ *আইট ফিঙ্গর এদ্দি* য়াওনা বিয়ার মখল কয়ামরুম গোৱা ব্রিৱিং কো. না শুংই।

# রাজ্য সভাদা ৱাশক লৌরিঙৈ হান্নগী সি জে আই গোগোইদা ওপোজিসননা য়ানিংদবা উৎখ্রে, খোল্লাও লাউদুনা মপান্দা থোকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৯(এজেন্সি)ঃ***

হান্নগী চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া রঞ্জন গোগোইনা ঙসি রাজ্য সভা মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরম ওপোজিসননা খোল্লাও লাওশিন্দুনা মশক থীহনখ্রে। অমরোমদা ট্রিজরি বেঞ্চশিংনা মহাকপু হাউসতা তরান্না ওকখি।

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা রাজ্য সভাদা মহাকপু নোমিনেট তৌখিবা অদুদা কোংগ্রেস অমসুং লেফট এম পিশিংনা গোগোইদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

হান্নগী চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া (সি জে আই) অসিনা মেম্বর অমা ওইনা ৱাশক লৌবনগীদমক হাউসকী ৱেলদা চংলকখিবদা ওপোজিসন মেম্বরশিং, মরুওইনা কোংগ্রেস লেজিসলেটরশিংনা মখোয়গী য়ানিংদবা অদু ফোঙদোক্লবা লেপখৎখি অমসুং হাউসকী মপান্দা থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা খোল্লাওশিং লাওশিনখি।

হাউসকী মপান্দা ৱাথোক অদুগী মতাংদা ৱা ঙাংবদা কোংগ্রেস লুচিংবা আনন্দ শর্মনা রাজ্য সভাগী নোমিনেসন অদু গোগোইনা য়াখিবা অসিনা ৱাহং কয়া হংহল্লি হায়খি। জজমেন্টশিং মতম



থেংথহনবগীদমক মহাকপু খুদোন অসি পীরে। ঐখোয়না মসি কন্দেম তৌই অমসুং য়াদে হায়না হাউসকী মপান্দা থোক্লকখিবা অদুগী মরম পল্লদুনা শর্মনা হায়খি।

সমাজৱাদি পার্টিগী এম পি জায়া বচ্চননা কনামত্তগী মিং পন্দনা মীটু মুভমেন্টকী মতাংদা মত পীখি। ঐহাক্না মীটু মুভমেন্টতা করি থোকখিবগে খঙবা পাম্মি। অৱাংবা ফম পায়বা অমসুং মখোয়গী মখা তাবশিং ৱাহনখিবা মীওইশিং অদুগী মতাংদা ঐনা করিগুম্বা অমত্তা হায়বা পামদে মরমদি মদু অনপার্লিয়ামেন্টরি ওইবা য়াই। মখোয়গী ফমশিং অদু লান্না শিজিন্নখিবশিং অদু শোয়দনমক টেষ্ট তৌগদবনি।

অদুম ওইনমক সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্টকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট রামদাস অথাৱালেনা হাউস অসিগী মনুংদা হান্নগী চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়াদা মখোয়না ঙাংনরিবশিং অদুগীদমক কোংগ্রেস লুচিংবশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা চৈখি। মসি মরুওইবা ৱারেপ অমনি। মহাক ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস অদু ওইরম্বনি। প্রসিদেন্টনা মহাকপু নোমিনেট তৌরে। কোংগ্রেসনা নুংঙাইতে অমসুং গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অসিগী মায়োক্তা পার্টি অসিনা লেপ্তুনা লৈরি। মখোয়না মপান্দা থোকখ্রে। মদু অফবা নৎতে হায়না অথাৱালেনা মখা তাখি।

ইন্দিয়াগী হান্নগী সুপ্রিম কোর্ট চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা ৱাশক লৌদ্রিঙৈ মমাঙ ফাওবদা হাউস অসিদা মহাক্কী মায়োক্তা খোল্লাওশিং লাওশিনবা অদুগীদমক কোংগ্রেসপু বি জে পি জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং এম পি অনিল জেইননা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মসি লায়বক থীবনি। কোংগ্রেসনা মওং তাদবা লিচৎ অমা উৎলে মহাক অসি লিগেল সর্কলদা অৱাংবা ফিগর অমনি। কোংগ্রেসপু কনানা লমজিংই ঐখোয় খঙদে। কোংগ্রেসনা জুদিসরি মেম্বরশিংবু রাজ্য সভা মেম্বর ওইনা নোমিনেট তৌখিবদা নত্তনা মখোয়বু মিনিষ্টরশিং ওইনা ফাওবা খুদোঙচাবা পীখি। মখোয়না কে টি এস তুলসি হাপখি হায়না অনিল জেইননা হায়খি।

মসিগী মমাঙদা রঞ্জন গোগোইনা রাজ্য সভা এম পি অমা ওইনা ৱাশক লৌখি। গোগোইগী লোয়নবী নুপী প্রুপানজল্লি গোগোই, মচানুপী অমসুং মমাকনুপাসু পার্লিয়ামেন্টতা শরুক য়াখি।

প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা হান্নগী চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া অসিবু মার্চ ১৬তা রাজ্য সভাদা নোমিনিট তৌখিবনি। রঞ্জন গোগোইনা ওক্টোবর ৩, ২০১৮দগী নবেম্বর ১৭ ২০১৯ ফাওবা ইন্দিয়াগী ৪৬ শুবা চীফ জষ্টিস ওইনা থবক তৌরমখি। নবেম্বর ৯, ২০১৯দা মহাক্না লুচিংবা জজ ৫গী বেঞ্চ অমনা মতম কুইনদগী পন্দুনা লৈরক্লবা বাব্রিমসজিদ–রামজন্মভুমি কেস অদুগী ৱায়েল অদু পীরমখি।

নিংশিংবা য়াবদি উত্তর প্রদেশকী অযোধ্যাদা লৈরম্বা বাব্রি মসজিদ লৈরিবা মফম অদু হিন্দুশিংগী লোর্দ রামগী পোক্লফমনি হায়দুনা লৈবাক অসিগী শক্লাইরবা পোলিটিসিয়ানশিং য়াওনা হিন্দুদা ঙাওজবা লাইনিংলোই করসেবক ১৫০,০০০ রোম্না মুস্লিমশিংগী লাইনিংফম বাব্রি মসজিদ অদু থুগাইখিবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা রামজন্মভুমি–বাব্রি মসজিদকী কেস অদু চথরকখিবনি।

১৯৯২গী দিসেম্বর ৬তা বাব্রি মসজিদ থুগাইখিবা অদুগী মতাংদগী কাঙলুপ মশেলগী হাৎন–শুনবা হিংশা কয়া হৌরকপদগী মীওই ২,০০০ রোম হেনবগী পুন্সি মাঙহনখ্রবনি।

# কোভিদ–১৯না মী ২,০০,০০০ হেন্না নাখ্রে, হৌজিক ফাওবদা মী ৮,৭০০ হেন্না হাংখ্রে

***জিনেভা, মার্চ ১৯(এজেন্সি)ঃ***

কোভিদ–১৯ পান্দেমিকনা নাহল্লবা মীগী মশীং ২,০০,০০০ হেনখিবগা লোয়ননা অনৌবা কোরোনাভাইরস অসি মীওইবা খুন্নাইগী য়েক্লবা অমনি হায়না ঙরাং ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসনগী মকোক অদুনা হায়খ্রে।

মসিগী কোরোনাভাইরস অসিনা মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা অকিবা অমা ঐখোয়দা পীরি হায়না মসি চপ মান্নবা য়েক্লবা, মীওইবা খুন্নাইগী য়েক্লবা অমগী মায়োক্তা অমত্ত ওইনা পুন্সিন্নবগী মমাঙদা অমুক্তা লৈখিদ্রিবা তাঞ্জা অমনি হায়বা চেৎনা পল্লদুনা ভর্চুয়েল ন্যুজ কনফরেন্স অমদা টেদ্রোস অধানোম ঘেব্রিয়েসসনা পাউমীশিংদা হায়খি।

মালেমগী ওইনা পুন্না কোভিদ–১৯না নাবদগী শিবা মশীং ৮,৭০০ হেনখ্রে। অদুগা দিসেম্বরদা চিনাদা লাইচৎ অসি অহানবা হৌরকপা মতুংদগী এসিয়াদগী হেন্না হৌজিক অনৌবা ভাইরস ইপিসেন্টর ওইদুনা ইয়ুরোপতা হেন্না–হেন্না শিবগী থৌদোক থোক্লি।



মালেমগী হেল্‌ঠ মিনিষ্টরশিং লৈবাকশিংগী মকোকশিং, হেল্‌ঠ ৱার্করশিং, হোস্পিটাল মেনেজরশিং, ইন্দষ্ট্রি লুচিংবশিং অমসুং অতৈ কয়াগা লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী মখোয়বু থৌরাং তৌবা অমসুং খ্বাইদগী মরুওইনা লৌখৎকদবশিংগী মতাংদা তেংনবাংনবা ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসননা ৱারী শান্নরি হায়না টেদ্রোসনা হায়খি।

নখোয়গী কম্যুনিটিদি শোক্লোই হায়না খনগনু। শোকপগা মান্নবা থৌরাং তৌ হায়না মহাক্না হায়খি।

গ্লোবেল কোরোনাভাইরস ক্রাইসিস হৌজিক পান্দেমিক অমা ওইরে হায়না ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসননা লাওথোকখ্রে। অদু ওইরবদি মসিগী ৱাহণ্ডোক করিনো? হেক চিংনবা খুদিংমক টেষ্ট তৌনবা ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসননা হায়রি।

আশা লৈ, লৈবাক পূন্নমক্তা তৌবা ঙম্বা থবক কয়া লৈ হায়না মহাক্না হায়খি। মহাক্না লৈবাকশিংবু শান্ন–খোৎনবা, ঈশৈ–নোংমাই, অতৈ অচৌবা থৌরমশিং পূন্নমক থিংবা য়াওনা লাইচৎ অসি অমদগী অমদা শন্দোকপা থিংনবা হকচাংগা–হকচাংগা লাপনহন্নবগী থৌরাং লৌখৎনবা আপিল তৌরি।

অদুবু ভাইরস অসিগী লাইচৎশিং অসি নমথনবগী অমসুং লাক্সিন্নবা লৈবাকশিংগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বী অদুদি 'আইসোলেট, টেষ্ট, ট্রিট অমসুং ট্রেস'নি হায়না টেদ্রোসনা মখা তাখি।

করিগুম্বা লৈবাকশিংনা মসি তৌদবা তারবদি লাইচৎ শন্দোক্লকপগী পরিং অদু অনেম্বা থাক অমদা মখা চত্থরক্কনি। মদুদগী অমুক হকচাংগা লাপ্থহন্নবগী খোঙথাংশিং অদু হেক লৌথোকপদা লাইচৎ অদু অমুক হেনগৎলক্কনি।

ভাইরস অদুগী জিনেটিক সেক্যুয়েন্স অদু চিনানা অতৈদা খঙহল্লকখ্রবগী থা ২গী মতুং খক্তদা অহানবা ভেক্সিন অদুগী চাংয়েং হৌখ্রে। মসি থাজনিঙাই ওইদনা ফরবা অচৌবা থবক অমনি হায়না টেদ্রোসনা থাগৎখি।

ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসননা করম্বনা খ্বাইদগী হেন্না ফবগে হায়বদু পুথোক্লবগী হোৎনবা অমা ওইনা লৈবাক ১০দা ভাইরস অদুগী লায়েঙনি হায়না পুথোকরকপা ৫গী সেলিদরিটি ট্রাইয়েল অমা হৌখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অদুবু ভেক্সিন অমা তশেংনমক পুথোক্তুনা মীয়ামদা ফংহনগদবা অদুদি লাপ্পা লৈরি।


মহাক্না মালেমগী লৈবাক পূন্নমক্তা ভাইরস অসি শন্দোকপা তপথহন্নবা পান্দমদা মপুং ফারবা খোঙজং অমা চংশিন্নবা আপিল তৌখি। মসিগী খোঙজং অসি পুন্সিশিং কন্নবা অমসুং ভেক্সিনশিং অমসুং লায়েংশিং পুথোক্লবগী মতম লৌনবনি হায়খি।

# ইটালিদা নোংমখক্তদা ৪৭৫ শিখ্রে, পুন্না ২,৯৭৮ য়ৌখ্রে, ইরানদসু নৌনা ১৪৭ শিখ্রে

***রোম /টেহরান, মার্চ ১৯(এজেন্সি)ঃ***

হৌখিবা চহীগী অথেঙবদা চিনাদা অহানবা অনাবা মীওই অদু দিটেক তৌখিবা মতুংদগী লৈবাক অমদা সুপ্নগী নোঙমখক্তদা শিবদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ওইনা অনৌবা কোরোনাভাইরসতগী ঙরাং য়ুমশকৈশাদা ইটালিদা মীওই ৪৫৭ শিখ্রে। মসি থারগা লৈবাক অসিদা লাইচৎ অসিনা শিবদা পুন্না ২,৯৭৮ য়ৌখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯না নাবা মশীং ৩,৫৭১নি।

মেদিটরেনিয়ানগী লৈবাক অসিনা চপ চানা অথিংবা থম্বা চয়োল ২ শুরক্লবা ফাওবদা শিবগী চাং হৌজিকসু হেনগৎলক্লি। ফিভম অদুদা ওফিসিয়েলশিংনা ইটালিয়ানশিংদা থাজবা থন্নবা অমসুং



কন্না লৈনবা আপিল তৌখ্রে। মরুওইরিবা অদুদি আশা থাদোক্তবা অসিনি হায়না লৈবাক্কী ওইনা টেলিভিজনদা শন্দোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা ইটালিয়ান নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ হেল্‌ঠ চীফ সিলভিও ব্রুসাফেরোনা হায়খি।

মালেম পাকশন্না শন্দোল্লক্লবা কোভিদ–১৯না ইরানদসু সুপ্নগী নোংমখক্তদা মীওই ১৪৭ অমগা শিহনখিবদগী লৈবাক অসিদা পুন্না শিবা মশীং ১,১৩৫ য়ৌখ্রে।

হৌজিক মীপুম খুদিংমক্না লায়না অসিগী মরমদা খঙলে, অমসুং য়ান্না ঙক্লিবদি মসিফাওবা মীওই খরনা মসিবু হকচিন্না লৌদ্রি হায়না টেলিভিজনদা উৎপা পাউগী কনফরেন্স অমদা ইরানগী দিপুটি হেল্‌ঠ মিনিষ্টর আলিরেজা রাইসিনা হায়খি।

করিগুম্বা মীয়ান্না মতেং পাংলবদি ঐখোয়না মসি লাক্সিনবা ঙমগনি। অদুবু মদু নৎত্রবদি লাইচৎ অসি থা ২ হেন্না শাংথরবা য়াই হায়না মহাক্ল হায়খি।

ইরাননা হৌজিক ফাওবা মীয়াম পুনবদা অথিঙবা অমত্তা থমদ্রি অদুবু হোলিদেশিংগীদমক্তা য়ুম য়ুমদা লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা মীয়ামদা হঞ্জিন–হঞ্জিননা মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে। লৈবাক অসিগী ন্যু য়ার হোলিদে অসি মার্চ ২০দগী হৌরগা এপ্রিল ফাওবা পাংথোক্কদবনি।

# চিনাদা অহানবা ওইনা লৈবাক মনুংগী ওইনা কোরোনাভাইরস নাবা অনৌবা লৈখিদ্রে



***বৈজিং, মার্চ ১৯(এজেন্সি)ঃ***

কোরোনাভাইরস লাইচৎ থোক্লকখিবা মতুংদগী অহানবা ওইনা চিনাদা লৈবাক মনুংগী ওইনা লৌনরকপদা নাবগী রেকোর্দ অমত্তা লৈখিদ্রে। মরম অদুনা কোরোনাভাইরস পান্দেমিককী মায়োক্তা মখোয়গী লাম্থেংদা চিনানা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা অচৌবা তাঙ্কক অমা ফংবা ঙমখ্রে। অদুবু মপান লৈবাক্তগী পুশিল্লকপা ভাইরস পকপশিংনা মসিগী খূৎমাঙ চাওশিনবা অসিদা অকিবা অমা পীরি।

মীওই কয়া মশীং হেন্ন–হেন্না কোভিদ–১৯ নারকখিবা অমসুং চিনাদগী হেন্না মপান লৈবাক্তা হেন্না হেন্না শিরকখিবা তাঙ্ককতা পান্দেমিক অসি লাক্সিন্নবা অরোইবা উপাই ওইনা মালেমদা লৈবা লৈবাক পূন্নমক্না থবক–ইনখাং পূন্নমক থিঙজিন্নখ্রবা অদুগা য়েংনবদা চিনাগী ফগৎলক্লিবা ফিভম অসি শেংনা ওন্ন–তৈনবা অমা ওইরি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা ভাইরস অদু অহানবা ওইনা থোক্লকখিবা চিনাগী ময়াই থংবা সিটি ৱুহানদা নৌনা নাবা মী অমত্তা লৈখিদ্রে। নেসনেল হেল্‌ঠ কমিসনগী মতুং ইন্না মসি জনুৱারি থাদা অনাবা অমসুং অশিবা মশীং ওথোরিটিজদা ফোঙবা হৌখিবা মতুংদগী অহানবনি।

কমিসন অসিগী মতুং ইন্না চিনাদা ৮ অমগা শিখি, মদু লোয়নমক হুবৈদনি। মদু থারগা লৈবাক্কী ওইনা পুন্না শিবা মশীং ৩,২৪৫ য়ৌরে। পুন্না নাবনা মীওই ৮১,০০০নি। অদুবু হৌজিক কোভিদ –১৯ লৈনানা সুপ্নগী মীওই ৭,২৬৩ খক্তমক নাদুনা লৈরি।

হৌজিকসু চিনাদা নুমিৎ খুদিংগী চাংচৎতা মীওই ২০,০০০লোম মপান লৈবাক্তগী পাইশিল্লক্লি। মপান লৈবাক্তগী অনাবা ৩৪ অমগা পুশিল্লকখ্রে হায়না নেসনেল হেল্‌ঠ কমিসননা হায়খি।

হৌজিক কোরোনাভাইরসতা জপানদা মীওই ২৮, যু এসতা ১৫০ শিখ্রে। ইটালিনা হৌজিক ফাওবদা লাইচৎ অসিদা শিখিবা মী ২,৫০৩ থারগা য়ুরোপতা পুন্না শিবা ৩,৪৩৭ ওইদুনা এসিয়াদগী হেনখ্রে। চিনাগী থারগা এসিয়াদা কোভিদ–১৯দগী শিখিবা অসি ৩,৩৮৪নি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-411**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | 6 | | | 7 | | 9 |
| 6 | | | | 7 | | | 5 | 2 |
| 7 | | 1 | | | 9 | | 3 | |
| | 7 | 9 | | 6 | | | | 5 |
| | 5 | 6 | | | 1 | 9 | | |
| | | 2 | 7 | | | | 6 | 1 |
| 8 | 1 | | 2 | 5 | | | | |
| | 6 | | 9 | 3 | | | 7 | |
| 9 | | | | | 7 | 5 | | |

## GAS TODAY

**Porompat Indane**
Booking : 23/01/20
Valid : 04/01/20
Stk : 288
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 25/01/19
Valid : 24/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 06/01/20
Sl. No. : 66850 to 67115
Time : 07.00 to 08.30 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : 20/02/20
Valid : 05/02/20
Stk : 306/19-24
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 13/02/20
Valid : 24/01/20
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Imphal LPG Service**
Stk : 5kg & 19kg Available
Time : From 08.30 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 23/02/20
Valid : 18/02/20
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 09/01/20
Valid : 05/01/20
Stk. : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Canchi Indane**
Booking : 28/01/20
Valid : 16/01/20
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**M. M. Gas**
Booking : 10/01/20
Valid : 06/01/20
Stk : 576
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 20/01/20
Valid : 17/01/20
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Khumbong Indane**
Booking : 02/02/20
Valid : 25/01/20
Sl. No. : 200
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 08/02/20
Valid : 06/02/20
Stk : 576
First Come First Serve

**R B D Indane**
Booking : 17/01/20
Valid : 05/01/20
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Athokpam Indane Wangjing & Khongjom**
Booking : 31/01/20
Valid : 14/01/20
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas**
Booking : 10/01/20
Valid : 06/12/19
Sl. No. : 303 to 3420
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**সনা–সুদোকু – ৪১০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 7 | 2 | 6 | 4 | 9 | 5 | 8 | 1 |
| 1 | 5 | 6 | 3 | 8 | 2 | 9 | 7 | 4 |
| 9 | 4 | 8 | 1 | 5 | 7 | 6 | 2 | 3 |
| 8 | 9 | 1 | 2 | 7 | 5 | 4 | 3 | 6 |
| 2 | 6 | 7 | 9 | 3 | 4 | 1 | 5 | 8 |
| 5 | 3 | 4 | 8 | 1 | 6 | 2 | 9 | 7 |
| 7 | 2 | 9 | 4 | 6 | 3 | 8 | 1 | 5 |
| 4 | 1 | 3 | 5 | 9 | 8 | 7 | 6 | 2 |
| 6 | 8 | 5 | 7 | 2 | 1 | 3 | 4 | 9 |